# ইন্দিয়ানা ৱিমেন’স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী ফাইনেল চঙখ্রে



ৱেষ্ট ভানকৌভর (কনাডা), এপ্রিল ০৯ :

ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিমনা মফম অসিদা চথৱিবা হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী সেমী ফাইনেল মেচতা বেলারসপু ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়ানা সম্মিট ক্লাশতা চিলিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। লীগ অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা চিলিনা উরুগুৱেবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মসিগী সেমী ফাইনেল মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা লাক্লিবা জুন/জুলাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন’স হোকি ৱর্ল্ড লীগ সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবসু ঙমখি। মসি কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাইয়রসু ওইরি।

ইন্দিয়ানা মেচ হেক হৌখিবদগী দোমিনেট তৌনা চৎখি। ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌনা চৎখ্রবসু বেলারসনা মেচকী মিনিট মরি অমদি মিনিট মাপন চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অনী ফংবা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়ন টিমগী চেকশিল্লবা দিফেন্সতা ওপোনেন্টকী গোল অমত্তা ইক্বেলাইজ তৌহনখিদে। ইন্দিয়ানা মায়োক্নবা সাইদতা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ১৩ চৎপা মতমদা মখোয়গী অহানবা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা গুরজিৎ কৌরনা অশোইবা অমত্তা য়াওদনা গোল চনশিনখিদুনা ইন্দিয়াবু ১-০ দা অহানবা ক্বার্টরদা মাঙজিল থাহনখি।

ইন্দিয়ানা মখা তানা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২০ চৎপা মতমদা পেনালটি ষ্ট্রোক অমা ফংখি। মদুদা টিম কেপ্টেন রাণিনা নিংথিনা বোল অদু কনশিনখিদুনা ইন্দিয়াবু অমুক্সু হন্না ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি। টিম অনীমক্না অহুমশুবা ক্বার্টরদা পেনালটি কোর্নরশিং ফংখি। মদুদা ইন্দিয়ানা মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা গোল চন্নবা হোৎনখ্রবসু চনবা ঙমখিদে। বেলারসনা মেচকী মিনিট ৪০চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু য়ুলিয়া মিখৈচিকনা নিংথিনা কনশিনখ্রবসু ইন্দিয়াগী গোল কিপর সাভিটানা সেভ তৌদুনা গোল চলহনখিদে।

ইন্দিয়াগী নুপীশিংনা অথুবা খোঙজেলদা মেচ অদু শান্নরকখিদুনা মায়োক্নবা টিমগী ষ্ট্রাইকিং সার্কলদা তত্তনা বোল পুশিন্দুনা নৈখায়খি। রাণি মতোমতনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪০ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। মেচকী মিনিট ৪২ চৎপা মতমদা বেলারসকী পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি অদুবু সভিটানা অথিংবা পীদুনা গোল চলহনখিদে।

অরোইবা ক্বার্টরদা বেলারসনা গোল চন্নবা টেম্পশিং তৌদুনা তকশিনখি। মদুদা পেনালটি কোর্নর অমা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা ফংখ্রবসু সভিটানা গোল চলহনখিদে। মেচ অসিগী মিনিট ৫৮ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা পেনালটি ষ্ট্রোক অমা ফংখি। মদুদা গুরজিৎ কৌরনা গোল অমগা চনশিনখিদুনা ইন্দিয়ানা ৪-০ দা মায় পাকখি।

স্কিপর রাণিনা হায়খি, ঐখোয়না মেচ মায় পাকখিবদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা পোকই। ঐখোয়না মতিং থোক্লা শান্নে অমদি দিফেন্সকী মায়কৈদসু মতিং লৈনা থবক থৌরমশিং লৌখৎখি। ঐখোয়না ফংখিবা পেনালটি কোর্নরগী খুদোংচাবা অদু মাঙহনখিদবদা ঐনা হরাউবা পোকই। ঐখোয়গী পান্দমদি ফাইনেল চঙবনি অমদি চিলিগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা মেচতা ঐখোয়না নিংথিনা শান্নবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

# মালেসিয়া সুপর সেরিজ : ওলেম্পিক চেম্পিয়ন লিন দাননা লী চোং ৱৈবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৯ :

অনীরক ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা চিনাগী লিন দাননা মফম অসিদা চথখিবা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা আর্ক রাইভেল মালেসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা লিননা মঙোন দগী চহী অমা সিনিয়র ওইরিবা লীবু মিনিট ৫৫ চঙনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ২১-১৯, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখি।

বেদমিন্টনগী ভেটেরান অনী অসিনা মেচ অদু হেক হৌখিবগা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নরকখি অমদি টুর্ণামেন্টসিগী ফেভরাইট লীনা মহাক্কী মশক থোক্লবা ক্রোস কোর্ট স্মাসশিং তৌখিদুনা ওপোনেন্টপু লাকশিন্না শান্নদুনা পোইন্টশিং লৌখি।

লিননা অফিংবা অমত্তা য়াওদনা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা লীবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। থাজদনা মায় পাকখ্রবা লিননা হৌজিকমরু ওইরবা মেজর টুর্ণামেন্টশিংগী ৱিন্নরশিং ওইবা ঙমখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মালেসিয়ন ওপন অসিদা ঐগী মরু ওইবা টার্গেটতি ওপোনেন্টপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা হায়বসিনি। ঐখোয় অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নখি অমদি বেদমিন্টনগী ষ্টেন্দার্দ লৈরবা প্লেশিং উৎখি। ঐ অমদি লীনা অঙম তান্নদুনা শান্নখি। ঐনা প্লেগী মিৎকুপ খুদিংমক্তা চেকশিন্না শান্নদুনা পোইন্টশিং লৌনবা হোৎনখি অমদি মায় পাকপা ঙমখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মেচ অদুদা লীনা এটেক্কিং প্লেয়র ওইনা শান্নখি। মহাক্না লিনবু অনফোর্স ইররশিং তৌহনখি। মদুদা মহাক্না খুদোংচাবা লৌখিদুনা ১৯-১৫ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু অথুবদা লিননা মশক থোক্লবা পার্ফোর্মেন্স উৎখিবগা লোয়ননা ষ্ট্রেট পোইন্ট তরুক লৌখিদুনা অহানবা গেম অদু ২১-১৯ দা মায় পাকখি।

লিননা মখা তানা মহাক্কী মায় পাকপগী খোঙজং অদু অনীশুবা গেমদসু চঙশিনখি। মহাক্না ওপোনেন্টকী মায়োক্তা পোইন্টশিং লৌখিদুনা ১১-৮ দা মাঙজিল থাখি। লিনগী অকনবা চেল্লেঞ্জদা মখা তানা পোইন্টশিং লৌখিদুনা লীবু নক্নৎখিবগা লোয়ননা অনীশুবা গেম অদু ২১-১৪ দা মায় পাকখি।

চাইনিজ প্লেয়র অমগী চৎনবী ওইনা লিননা মায় পাকখিবা অদুদা মহাক্কী রেকেট অদু লংখি। মহাক্কী ফুরিৎ অদু লৌথোক্কুনা লংথোকখি অমদি কোর্টকী লৈমায় অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্কুনা হিপখি।

চাইনিজ ষ্টার অসিনা মালেসিয়া ওপন অসি অমুক্তফাওবা লৌবা ঙমখিদ্রি। লিননা ওপন অসিগী ফাইনেলদা অহুল্লক চঙখ্রে। মদুগী মনুংদা কুমজা ২০০৫ অমদি ২০০৬ তা লীগী মখুৎতা মায়থীখি অমসুং কুমজা ২০১৫ দনা চেন লোংগী মখুৎতা মায়থীখি।

লীনা হায়খি, ঙসিগী মেচ অসিদা ঐগী অফবা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদে। অহানবা গেম মায়থীখ্রবা মতুং ঐনা ঐগী থাজবা অদু মাঙখি। অদুবু ঐনা ফাইনেল ফাওবা চঙলকপদা পীখিবা পার্ফোর্মেন্স অদুদা অপেনবা ওইরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মালেসিয়া ওপন অসি বোর্নিও আইলেন্দদা লৈবা সরাৱককী কোনুং কুচিংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী পাঙথোকপা হৌখি।

চৈরক অসিদা টাইৱানগী টাই জু য়িংনা ৱিমেন’স সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখি। ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিনা স্পেনগী কারোলিনা মারিনবু ২৩-২৫, ২২-২০, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মেচ অদু মায় পাকখিবদা মিনিট ৮৫ চঙখি।

# দেভিস কপ : ইন্দিয়ানা উজবেকিষ্টানবু ৪-১ দা মায়থীবা পীখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ০৯ : ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথৱিবা দেভিস কপ এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান টাইগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা উজবেকিষ্টানবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফকীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দিয়ানা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড গ্রুপ প্লে-ওফকীদমক মফম অমা কনবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা এসিয়া/ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান সেকেন্দ রাউন্দ টাইদা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখিবনি।

ইন্দিয়ানা উজবেকিষ্টানবু মায় পাকপা ঙমহন্দনা মায়থীবা পীননবা হোৎনখ্রবসু অনীশুবা রিভর্স সিঙ্গলস মেচতা উজবেককী মখুৎতা মায়থীখি।

কে এস এল কে ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহানবা রিভর্স সিঙ্গলসতা রামকুমার রমানাথননা সঞ্জার ফাজিয়ভপু মিনিট ৬৭ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

লেফ্টহেন্দেদ প্রজনেশ গুন্নেশ্বরননা রেঙ্ক ৪০৬ তা লৈরিবা বিগ সার্ভিং ইসমেইলোভকী মখুৎতা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। ইসমেইলোভনা গুন্নেশ্বরনবু অনীশুবা রিভর্স সিঙ্গলসতা ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

প্লেয়র অনীমক্না মতিং থোক্লা সার্ভশিং তৌনখ্রবসু অহানবা ওইনা দেভিস কপ্তা শরুক য়াখিবা প্রজনেশনা অহেনবা প্রেসরশিং মায়োক্নখিবনা মপুং ফানা মহাক্কী পার্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিদে।

ইসমেইলোভকী মায় পাকখিবা অসিনা ইন্দিয়ানা উজবেকপু মেচ অমত্তা মায় পাকহন্দনবা চঙশিনবা খোঙজং অদু অরেম্বা তাহনখি।


নিংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারীদা ইন্দোরদা পাঙথোকখিবা দেভিস কপ টাইদা ইন্দিয়ানা চাইনিজ টাইপৈবু মায় পাকপা অমত্তা য়াওহন্দনা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়ানা চাউনা মায় পাকখিবা অসিনা অনৌবা নন-প্লেয়িং কেপ্টেন মহেশ ভুপাটিগীদমক্তদি খ্বাইদগী চাউবা মায় পাকপা ওইখি। মহাক্না টাই অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা প্লেয়রশিংগী রুল খরা পুথোকখি অমদি মহাক্কী ষ্টাইলদা টাই অদু শান্নখি।

রামকুমারনা হায়খি, ঙসি ঐনা হৈথোই শিংথোইনা মেচ শান্নখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# নেসনলগী জেভলিন কোচ গেরি কলভার্ট রিজাইন তৌখ্রে





ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৯ : মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা অন্দর-২০ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা নিরাজ চোপ্রানা হিষ্টোরিক ওইনা মায় পাকখিবা অদুদা চাউনা মতেং পাংখিবা নেসনল জেভলিন কোচ গেরি কলভার্টনা মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।

কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসকীদমক য়েংলগা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট শাংদোক্নবা অমদি টার্ম রিভাইস তৌননবগীদমক লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন অসিবু মহাক্না থবক তৌরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) নৎত্রগা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) দগী থবক অমত্তা পায়খৎলকপা অমদি থাজবা পীবা লৈখিদে।

কুমজা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারীদা কন্ট্রেক্ট লোইরগদবা কলভার্টনা মহাক্কী রিজাইন তৌবগী চেরোল অদু মমাঙগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা পীশিনখি। মহাক্কী রিজিগনেসন তৌবগী চেরোল অদুগী মখা তাবা পাউখুম অমত্তা সাই অমদি এ এফ আইদগী ফংবা লৈতে। কলভার্টনা মহাক্কী লৈরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা সাই অমদি এ এফ আইদা থা তরেৎকী মমাঙদা খন্নবা লৈখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মসি মতম শাংলক্লে। ঐনা সাইগী দিরেক্টর জেনরেল অমদি স্পোর্টস সেক্রেটরি শ্রিনিভাসকা সেপ্টেম্বর থাদা দেল্লিদা উনখ্রে। ঐনা ঐগী কন্ট্রেক্ট অসি চহী মরি অমগা শাংদোকপা পাম্বনি। মসি ওলেম্পিক সার্কলগুম্বনি। মসি ষ্টেন্দার্দ ওইরবা মালেমগী প্রোসিদ্যুর অমনি। ঐখোয়না টার্মশিং হোংদোক্নবগী মতাংদসু ৱারী শানখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা থোইদোক্না খন্ননিঙাই ওইদে অদুবু মখোয়না পাউখুম পীরক্তবনা হেন্না লুশিলহল্লে। ঐনা মখোয়গা ৱারী শানবগীদমক মহাক্কী ষ্টাফশিং থাদুনা ঈ-পাউশিং ফাওদোক্নখ্রে। অদুবু এ এফ আইদগী মতিক চাবা পাউখুম অমত্তা পীরকপা তৌদে। মখোয়না হীরম অসিদা ইন্টরেষ্ট লৌদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এথলেটিক্স মশান্নদা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিরাজগী মায় পাকপগী খোঙচৎ অদু মখোয়না শকখঙবা তৌদে হায়না কলভার্টনা নিরাজগীদমক তৌখিবা মায় পাকপগী লম্বী অদু নিংশিংখি।

মহাক্না হায়, ঐহাক্না হীরম অসিগী মতাংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রসু মতিক চাবা পাউখুম ফংদবনা ঐবু ঈকাইবা পীবা হায়বদু ওইরে। ঐনা নিরাজবু মালেমদা মশক তাকখিবদা নত্তনা লৈবাক অসিদা মশক তাকখি।

এথলেটিক্স মশান্নদা কোচ অমগী মতম অসি নৈনবদা য়াম্না মরু ওইবা মচাক অমনি। মতম মপুং ফানা কোচ ওইবা ঙমদ্রগদি কৈদৌঙৈদসু মায় পাকপা পুরকপা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কলভার্টকী মখাদা এথলেট তরুক হৌজিক হৌজিক সাই সাউথ সেন্টরদা ট্রেনিং তৌরি। ট্রেনিং তৌরিবা শান্নরোয়শিং অসিগী ৱাখলদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা লৈতাদবা অমসু ওইহল্লে হায়না পাঞ্জী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

# কার্বর-পাবলয়ুচেঙ্কোভানা মোন্টেরি, ওষ্টাপেঙ্কোনা কসাটকিনাগা চার্লেষ্টিন ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি





মোন্টেরি/মিয়ামি, এপ্রিল ০৯ :

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরনা মফম অসিদা চথৱিবা দব্লিয়ু টি এ টুর্ণামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা স্পানিয়ার্দ কার্লা সৌরেজ নভারোবু মায়থীবা পীদুনা চহীসিগী অহানবা দব্লিয়ু টি এগী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এঞ্জেলিগ কার্বরনা অহুল্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভাগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অনীরক গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা মার্চ থাদা অমেরিকাগী সেরেনা ৱিল্লিয়মসতগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান রেঙ্কিংগী মহুৎ শিনখিবী জর্মনিগী কার্বরনা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মরিশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ কার্লা সৌরেজ নাভারোবু ৭-৬ (৮/৬), ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা কার্বরগী হেক মথংদা লৈরিবী অনীশুবা সীদেদ রসিয়াগী পাভলয়ুচেঙ্কোভানা ফ্রান্সকী অহুমশুবা সীদেদ কারোলিন গার্সিয়াবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

কুমজা ২০১০, ২০১১ অমদি ২০১৩ গী মোন্টেরিগী ট্রোফি লৌখিবী পাভলয়ুচেঙ্কোভানা মেচকী অহানবা সেটতা গার্সিয়াবু নক্নৎলল্লগা ব্রিক পোইন্ট ১০ লৌখিদুনা সেট অদু ৭-৬ তা মায় পাকখি।

চৈরক অদুদা পাভলয়ুচেঙ্কোভাগী ওইথংবা ফৈবোমদা অনাবা ফাওরকপদগী মহাক্কী ট্রেনর কৌথোক্লগা ফার্ষ্ট এইদ লৌখি। মেচকী অনীশুবা সেটতা গার্সিয়ানা মতিং লৈনা শান্নরকখি। অদুবু পাভলয়ুচেঙ্কোভাগী সার্ভতা মহাক্না অথিংবা পীবা ঙমখিদে।

রসিয়ননা মখা তানা লাকশিল্লকখিদুনা পোইন্টশিং লৌখিবগা লোয়ননা মরিরকশুবা ওইনা মোন্টেরিগী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরনা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন হিথর ৱাটসনবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

জর্মনিগী কার্বরনা বৃটেনগী ৱাটসনগী মায়োক্তা ব্রিক পোইন্ট নিপানমক সেভ তৌখিদুনা সেমী ফাইনেলদা মরিশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ কার্লা সৌরেজগা ময়োক্নদুনা শান্নবা খোঙফম শেমখি।

স্পানিয়ার্দকী কার্লা সৌরেজ নাভারোনা ফ্রেঞ্চকী তরেৎশুবা সীদ এলাইজ কোর্নেটপু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

অহুল্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অনীশুবা সীদ অনাষ্টাসিয়া পাভলয়ুচেঙ্কোভানা মঙাশুবা সীদেদ হঙ্গেরিয়ন টিমিয়া বাবোসপু ৬-২, ৩-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি। রসিয়াগী পাভলয়ুচেঙ্কোভানা বাবোসপু মায়থীবা পীখিবদা পুং অনীরোম চঙখি।

পাভলয়ুচেঙ্কোভানা মথংগী মেচতা ফ্রেঞ্চকী অহুমশুবা সীদেদ কারোলিন গার্সিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নবা খোঙফম শেমখি। গার্সিয়ানা অমেরিকান জুলিয়া বোসেরুপপু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, মিয়ামিগী চার্লেষ্টিনদা চথৱিবা ভোলভো কার ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা নহা ওইরিবী জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোনা মিরজানা লুসিক-বারোনিবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মশাগী চহী ১৯ শুরবী ওষ্টাপেঙ্কোনা ক্রোসিয়াগী ১১শুবা সীদ লুসিক-বারোনিবু মখোয়গী সেমী ফাইনেল মেচতা ৬-৩, ৫-৭, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচতা কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিবু মায়থীবা পীখিবা লাটভিয়ন অসিনা মখা তানা মহাক্কী মায় পাকপগী খোঙজং অদু চঙশিনখিদুনা মহাক্কী অহুমশুবা টুরগী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইখি।

ওষ্টাপেঙ্কোনা মশাগী চহী ৩৫ শুরবা লুসিক-বারোনিবু মায়থীবা পীবদা পুং অনী চঙখি। লুসিক-বারোনিনা চহী অসিদা সেমী ফাইনেল চঙবা অহুল্লকশুবসু ওইখি।

অনীশুবা সেট অদু দ্রোপিং তৌরবা মতুং ওষ্টাপেঙ্কোনা দিসাইদরদা ৪-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি অমদি মহাক্না ওপোনেন্টপু লাকহৎখিদুনা সেট অদু মায় পাকখি।

ওষ্টাপেঙ্কোনা ফাইনেলদা মশাগী চহী ১৯ শুরবী রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনাগা লম্বা তৌদুনা শান্ননবা খোঙফম শেমখি। কসাটকিনানা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা জর্মনগী লৌরা সিজমুন্দবু ৩-৬, ৬-২, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৪২ শুবদা লৈরিবী কসাটকিনানা মহাক্কী অহানবা ওইনা দব্লিয়ু টি এ দিসাইদরদা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ওইখি। মহাক্না মেচ অদু পুং অনীগা মিনিট ১৮ চঙনা শান্নদুনা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ক্রোসিয়াগী মিরজানা লুসিক-বারোলিনা হোমটাউন ফেভোরাইট শেলবায় রোজরসপু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

ক্রোসিয়াগী তরামাথোইশুবা সীদ লুসিক-কারোলিনা রোজরবু ৬-৭ (৭/৯), ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ৱোজনিয়াক্কিনা লাষ্টাভিয়াগী মশাগী চহী ১৯ শুরবী জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোগী মখুৎতা ২-৬, ৪-৬ তা মায়থীখি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মশাগী চহী ১৯ শুরবী রসিয়াগী মারিয়া কাসাটকিনানা রোমানিয়াগী বেগুবু ৬-৪, ৬-১ দা অদুগা জর্মনিগী লৌরা সিজমুন্দনা লাটভিয়াগী সেভাষ্টোভাবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

# মতৈ-মনাও অনী লোনয়ানগাটা, রিওনোরিপোনা পেরিস মরাথোনগী টাইটল লৌখ্রে



পেরিস, এপ্রিল ০৯ :

কেনয়াগী পাউল লোনয়ানগাটানা মফম অসিদা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ৪১শুবা পেরিস মরাথোনগী টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লোয়নবী পুরিটি রিওনোরিপোনা ৱিমেন’স রেসকী টাইটল ফংখি।

লোনয়ানগাটানা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা টাইমিং পুং অনীগা মিনিট ৬ কা সেকেন্দ ১০ চেন্দুনা টাইটল অদু লৌখি।

মহাক্কী কম্পেট্রিওট প্রি রেস ফেভরাইট ষ্টেফন চেবুগটনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। মহাক্না পুং অনীগা মিনিট ৬ কা সেকেন্দ ৫৬ চেনখি। অদুগা সোলোমোন য়েগোনানা পুং অনীগা মিনিট ৭ কা সেকেন্দ ১৩ চেন্দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। কেনিয়ন অহুম অসিনা পোদিয়মদা লেপ্তুনা মখোয়গী মায় পাকপগী মেদলশিং অদু লৌখি।

ফ্রেঞ্চকী কেপিটেলদা পাঙথোকখিবা মরাথোন অদুদা রিওনোরিপোনা পুং অনীগা মিনিট ২০ গা সেকেন্দ ৫৫ চেন্দুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা অনৌবা রেকোর্দসু থমখি।

মতৈ-মনাও অনীগী মায় পাকখিবা অসিনা মখোয়গী ওলেম্পিক মরাথোন চেম্পিয়ন জেমিমা সুমগোংবু দোপ টেষ্ট তৌবদা ফেল ওইখিবদগী অথিংবা থমখিবগী নুংঙাইতবা পাউ অদুবু নক্নৎখিদুনা কেনিয়াগী মীয়ামদা মোমোন মিনোক তমহনখি।

সুমগোংনা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী মরাথোন ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখিদুনা অহানবা কেনিয়াগী নুপী অমনা ওলেম্পিক্কী মেদল লৌবা ঙম্বসু ওইখিবনি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবী হৌজিক লন্দন মরাথোনগী চেম্পিয়ন ওইরিবী অসিগী সেম্পল লৌরগা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না দোপ টেষ্ট তৌখিবদা অথিংবা থমখ্রবা ব্লদ বৃষ্টর ঈ পি ও শিজিন্নরম্বগী খুদম-চাংদম ফংখিবদগী অথিংবা মায়োক্নখি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা লোনয়ানগাটানা মমাঙদা লিসবোন অমদি শাংহাই মরাথোনগী টাইটল লৌখ্রে। মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্টপু মিনিট অমখক্তংদা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

# আই পি এল ২০১৭ : দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীখ্রে



হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ০৯ :

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা মফম অসিগী রজিব গান্ধী ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা চথখিবা তরাশুবা সিজনগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল) কী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী মায় পাকপগী খোঙজং মখা তানা চঙশিনখি।

রশিদ খান্না মেচ অদুদা রন ১৯ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ লৌখিবা অমসুং দেভিদ ৱার্নরনা বোল ৪৫ দা রন ৭৬ (ফোর ৬, সিক্স ৪) লৌদুনা নোট আউটতা লৈখিদুনা হায়দ্রবাদকী ষ্টারশিং ওইখি। অদুগা গুজরাটনা মখোয়গী অনীরকশুবা ওইনা মায়থীখি।

মোসেস হেনরিকনা মশক থোক্লা হাফ সেঞ্চুরি লৌখিদুনা চথৱিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা মহাক্কী অনীশুবা হাফ সেঞ্চুরি ওইখি। মহাক্না বোল ৩৯ দা রন ৫২ লৌখি।

টোস ঙমখিবা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা ফিল্ডিং খনখিবদগী গুজরাট লাইওন্সনা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখি। মখোয়না ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৫ লৌদুনা টার্গেট রন ১৩৬ পীরমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা মখোয়গী টার্গেট রন তান্নখিবদা ওভর ১৫.৩ দা ৱিকেট অমা তুরগা অপুনবা রন ১৪০ লৌদুনা গুজরাট লাইওন্সপু ৱিকেট ৯ দা মায়থীবা পীখি।

টার্গেট রন ১৩৬ লৌননবা তনখৎখিবদা ওপনর দেভিদ ৱার্নর অমদি শিখর ধৱননা ক্রিজদা লৈরিঙৈদা ওপনিং বোলর সুরেশ রাইনানা মতিং থোক্লা বোল লংখিদুনা এটেকশিং তৌখি। রাইনাগী অহানবা ওভর অদু ৱিকেট অমত্তা লৌবা ঙমদনা লৈখি। ধৱননা বোল ৯ দা রন ৯ লৌরল্লগা প্রবিনকুমারগী বোলদা আউট ওইখিদুনা অহানবা ৱিকেট ওইখি।

ৱার্নরনা মখা তানা মহাক্কী বেট্টিং চথখি। মোসেস হেনরিকনা ধৱনগী মহুৎ থোরক্তুনা শান্নবা হৌখি। মহাক্না ধৱন কুলকরনিগী বোলদা মশক থোক্লা রনশিং লৌখি। ৱার্নরনা সিজন অসিগী অহানবা মহাক্কী হাফ সেঞ্চুরি লৌখি অমদি উপ্পাল ষ্টেদিয়মদা মহাক্কী রন ১০০০ সুবসু ঙমখি। মসিদা নত্তনা মহাক্না অতেনবা ফোর্মেট অসিদা রন ৭০০০ য়ৌবা ঙম্বসু ওইখি।

মেচকী অঙনবা মতমদা নহা ওইরিবা অফঘান স্পিন্নর রশিদ খান্না গুজরাট লাইওন্সকী বেট্টিং লাইন অদু থুগায়খি অমদি রাইনাগী নুপামচাশিংনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৩৫ খক লৌহনখিদুনা মায়থীবগী লম্বীদা চিংশিনখি।

গুজরাট লাইওন্সকী জাসন রোইনা বোল ২১ মায়োক্নখিবদা রন ৩১, দিনেশ কার্দিকনা রন ৩০, দোইন স্মিথনা বোল ২৭ তা রন ৩৭ লৌদুনা টিমগীদমক খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা প্লেয়রশিং ওইখ্রবসু টিমবু মায় পাকহনবদি ঙমখিদে।

সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকী ভুবনেশ্বর কুমারনা ওভর ৪ দা রন ২১ পীথোক্লগা ৱিকেট ২, অসিশ নেহরানা ওভর ৪ দা রন ২৭ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা, রশিদ খান্না ওভর ৪ দা রন ১৯ পীথোক্লগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং ওইখি।

# নিকোলা অদামসনা ভির্জিনা কার্কামোবু মায়থীবা পীখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০৯ : অনীরক ওলেম্পিক বোক্সিংগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিকোলা অদামসনা মাঞ্চেষ্টরদা থাংজ নুমিৎতা চথখিবা মহাক্কী অহানবা প্রোফেস্নেল বাউটতা অর্জেন্টিনাগী ভির্জিনা কার্কামোবু পোইন্ট দিসিজনদা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অসিনা রাউন্দ মরিগী বাউটতা ৪০-৩৬ তা নক্নৎখি। কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৩ গী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন অদামনা হায়খি, ঐনা বাউট অদুগী মিনিট খুদিংগী মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টপু নক্নৎখিবদা নুংঙাইবা পোকই। মসি অঙকপা অমনি। ঐবু বাউট অদুদা ফেনশিংনা শৌগৎপীখিবদা অপেনবা পোকই অমদি অহানবা ওইনা হেদ গার্দ য়াওদনা থিন্নখিবা অদুনা ঐগী নিংশিংনিঙাই ওইহৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।